# কুমজা ২০০৭তা নেসনল স্পোর্টস একাদমি হেক হৌদোরকপদগী হৌনা ঐহাক আর্চরিগী কোচ ওইনা অঙাংশিং ট্রেনিং পীজরকখি



এ সোনাচান্দ শর্মা
(আর্চরি, এন আই এস কোচ)

(ঙরাংগী মখা)

কুমজা ১৯৯২/৯৩ স্বাই ফাওবা, সিনিয়র আর্চর অমা ওইনা শান্নজরল্লগা মখা তারকপদদি এন আই এস দিপ্লোমা চৎননবা মদোমদা অমুক ৱাখলসি থমজরকখি। অসুম্না ঐহাক কুমজা ১৯৯৫দগী কুমজা ১৯৯৭ ফাওবা আর্চরিদা এন আই এস দিপ্লোমা তৌবসি চহী অনী ওইরকখি। ইন্টরভিয়ুনা পাটিয়ালাদা তৌরগা কোর্স তৌফম্না কলকত্তাদা ওইরকখি।

মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা আর্চরিদা ইহান হান্না দিপ্লোমা কোর্স তৌখিবদি লৈখিদ্রবী ইচে বি বসন্তিনি। ইচে বসন্তিগী মথংদা অনীশুবা বেজ ওইনা চৎখিবশিংনা বি দেবচান্দ, বি গুনিচা অমসুং শান্তনি। মখোয়গী মথংদা অহুমশুবা বেজদা ঐহাক ইতোমতা অমুক চৎখি। ঐগী হেক মতুংদা লক্ষ্মীপ্রিয়া, গোপেন, আর কে রাজু, গুনিতা, সুনি, গীতাঞ্জলি, চাওবা, লুসি, হোনি, মধু অমসুং শাম্মিনি। হৌজিক হৌজিক আর্চরিগী কোচ ওইনা সাইদা গুনিচা, শান্তা অমসুং গুনিতা মখোয় অহুম লৈ। মণিপুর পুলিসতনা লুসিগা সনিগা মখোয় অনী লৈরি। আর কে রাজুদি তেজপুরদা স্পোর্টস ওফিসর ওইনা লৈখ্রে। গোপেদি কোচিং লাইন্দা চঙলক্ত্রে। এ আইগী ওইনা জর্জগী মায়কৈরোমদা চৎখ্রে। লক্ষ্মীপ্রিয়ানা গোৱাদা লৈখ্রে। জি এ মঞ্জুনা কোন্ত্রেক্টতা উট্টরখন্দদা লৈরি। গীতাঞ্জলি, সাঞ্জিতা, নিরমালানা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা লৈরি।

আর্চরিদা এন আই এস দিপ্লোমা তৌরুবসি নুপাদদি সুপ্লগী মী মঙা খক্তনি। ঐগী ওইনদি লাইবক থিবনা হায়গদ্রা ট্রেনিং চৎলুবা হল্লকপা অদুৱাইদগী থবক লৌবগী অথিংবা লৈখিবদগী মতম শাংনা ঐহাক থবক চঙবা ফঙলকখিদে। অদুবু কুমজা ১৯৯৭/৯৮ অদুৱাইদা নেসনল গেমসকা মরী লৈননা আর্চরিগী কোচ খরা লৌগনি হায়বগী থাজবদি লৈখি। হায়রিবা মতমদুদা ট্রেনিং চৎলুবসু কুইদ্রিবনিনা ঐহাক নেসনল গেমসকী আর্চরি টিমসু পায়জরকখি।

অদুগা ঐহাক্না কোচ অমা ওইনা থবক চঙজরকখিবসিদি কুমজা ২০০৭তা নেসনল স্পোর্টস একাদমি লাকখিবদগীনি। মসিদসু মতম শাংনা চহী ১০ রোমদি কোন্ত্রেক্তা লৈজরকখি। রেগ্যুলর তারকখিবসিনা কুমজা ২০১৬গী নবেম্বর থাদগীনি। মসিসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইবীরম্বা ওক্রম ইবোবীনা হোৎনবীরগা তাহনবীরম্বনি। সুপ্লগী লুপা লিশিং মরি/মঙা ফঙলগা এন এস এ অসিদসু মতম শাংনা পুজরকখি। মরক্তা লুপা লিশিং মাপল পিখিবা অতেনবা তাঙ্কক অমসু লৈখি। অদুবু কোচ অমা ওইনা তৌবা য়াবশিংদি তৌজরকখি।





কোচ অমা ওইনা, হৌজিক চথরিবা ট্রেনিং ষ্টাইলসিনা অয়ুক্কী সেসন্দনা অয়ুক পুং ৬ তগীনা পুং ৮.৩০ ফাওবা অদুগা নুংতিলদনা পুং ৩.৩০ দগীনা পুং ৬ ফাওবনি। ৱিন্টর অমদি সম্মরগী মতুং ইন্না খরা হোংদোক হোজিন্দি লৈ। ট্রেনিং তৌবসিগী মতাংদা নোংমগী লৈরিবা সেদ্যুলশিং অসিসু য়াম্না তাংনা ওই। সাইগীদি স্পোর্টসতনা হেন্না ইম্পোর্টেন্স পীদুনা হোৎনবনিনা, য়ৌহন্নিংলিবা পান্দমদু য়ৌননবা হোৎনবদা ট্রেনিংসিসু খরা কন্না তকখায়বা য়াই। অমরোমদা, একাদমিদা লৈরিবা অঙাংশিং অসিদি ক্লাস নাইন/টেন য়ৌরক্লবদি শান্নবদা কয়া থওইরক্তে। লাইরিক্তনা খরা হেন্না থৱায় য়াওশিন্নখি। ক্লাস

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

আর্চরিদা মীৎয়েং অমা

হায়নিংবা অমনা, অতৈগী মশান্নগা আর্চরিগী ট্রেনিং তৌবসিগা খেন্নবসিনা ঐখোয়গীদি মোনিংদসু ইভনিংদসু পুং ৩/৩ রোমদি তঙাইফনা কাপ্পু হায়বনি। অদুবু, মসি ওইথোকপদদি ৱানা থোকই। করিগীনো হায়বদা, স্পোর্টস একাদমিগীদি লাইরিক্কী ওইবা চেপ্তুর অমসু মরু ওইনা য়াওবনিনা মদুসু ঙম্না চত্তবা য়াদে। ফুল য়াওরুরগা, নুংথিলগী শান্নবা থোরকপা অঙাংশিংদুদদি ঐখোয়নসু অকনবা ট্রেনিং পীশিংন্নিংদে। অয়ুক্তসু, অদুমঙাই স্কুল মতম য়ৌরক্কদৌরে হায়দুনা ঐখোয়না চপ চানা পীনিংলিবা মতমদু পাক শুবা ঙমদে। মসিদা অয়ুক খুৎশু-খুৎলায় ৱাৎপগী শান্নফম গ্রাউন্দগী অপেন-পেন্দ খুদোংচাদবা ময়ামসু অদুম লৈরিবনি। শান্নফমগী মতাংসিদা, সন-সেদ অমত্তং শাবীয়ু হায়জরক্লিবসিসু মতম কুইরক্লে। আর্চরি হায়বসিদি, পুক্নিং-ৱাখল চঙনা, ক্লাইন্দা কাপ্পা খোৎপা অদুগুম্নসু চঙলিবনি। অদুনা, নাইট-সুটিং তৌবা হায়বসিসু হৌজিক্কী তৌদবা য়াদবনা ওলিম্পিক্তা মীৎয়েং থল্লগা শেম্বনি হায়বা তারগদি, হৌজিক মতমদা তৌনরক্লিবা ট্রেনিং ষ্টাইলশিং অসি ঐখোয়সু পীবা তাবনি। নৎত্রগদি, অৱাংবা থাক্তা তৌরিবা কম্পিটিসনশিংদা খোঙ কানশিল্লুবা পাক ঙমখিরোই। ওলিম্পিক হায়বসিদি, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা শান্নরোয়শিংগী চাংয়েংনফমনি। কদায়দা করি করি ৱাৎলিবগে হায়বশিং অসিসু কুপ্না য়েংশিনবিরগা কন্না ইনখৎমিন্নবা অমদি চঙই।

অরোইবদা থমজনিংবা ৱাফম অমত্তংদি, নেসনল স্পোর্টস একাদমিদগী শেমখিবা অঙাংশিং অসি অকক্লবা মতম অমা লৈবনিনা ক্লাস টুয়েল্ভ হেক লোইহবদগীদি মখোয় একাদমি থাদোকহনখি। শান্নবসিদসু মখা তানা ট্রেনিং য়াওহনবা য়াদ্রে। য়ারগদি লাইরিক্কী মতাংদুনা অতোপ্পা স্কুল নৎত্রগা কলেজদা তমজখ্রগসু শান্নবগী কোচিং অসিমদি মখা তানা য়াওহনবা য়ানবা থৌরাং অমত্তংদি তৌহঞ্জনিংই। শেল তিংনা মতম চঙনা শেল্লকপা অঙাং কয়া, মপুং ফানা শান্নবগী লাইন্দা চৎহনবা ঙমদবদগী মাঙখিবা অঙাংসু অদুম য়াওখি। নেসনল স্পোর্টস একাদমিদা লৈরম্বা অঙাং অয়াম্বদি লায়রবা ইমুংদগী ঙাক্তনি। একাদমিদগী আউট ওইখিবা মতমদা, লম্বী মাঙদুনা লাইরিক্তসু মহৈ চাদবা, শান্নবদসু ওইদবা মসিগুম্বসিসু উবদা নুংঙাইতে। কুমজা ২০০৭তগী হৌরকখিবা একাদমি অসিদগী অফবা অঙাং কয়া পুথোকখ্রবগে হায়বসিসু ঐখোয় পুন্না অমুক্তংদি হোৎমিন্নসি। ওলিম্পিক্তা মীৎয়েং থমদুনা লিংখৎখিবা একাদমিনিনা ঐখোয়সু ওলিম্পিক মেদল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোয়দি পুথোকচনিংই।

(লোইরবা)



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৩

১) মহাক ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক হভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা "International Socialism and Schumann Plan" কৌবা থেসিস অমদা রিছার্স তৌখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

২) ওলিম্পিক গেমসকী আইস হোক্কি শান্নবগী থৌরমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসি মেচ তরুক শান্নবদা তরুকমক পোখি। মখোয়না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে, ফিনলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১৪-১দা মায়থীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অমা চনখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৩) অমুতোম্বী সিংহ, মনিরতন সিংহ, প্রেমকান্ত সিংহ, জোতিমোয় রোয়, ধনেন্দ্র সিংহ, শান্তিকুমার সিংহ। পীরিবা ফুটবোলগা মরী লৈনবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মান্নদবা অমা খন্দোকউ।

৪) মিটর ১০০গী লমজেল তান্নবদা নুপা অসিনা ফার্স্ত তারিবা লমজেলোয় অদুগী মতম (তাইমিং) লৌই। অহানবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৩নি। অনিশুবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৪নি। করম্বা নুপানা পাইরিবা ঘরিগী মতমনা ওফিসিয়েল তাইমিং (Timing) ওইগনি।





৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগট টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০গী ক্বালিফাই ওইখ্রে

নুরসুল্টান, সেপ্টেম্বর ১৮(এজেন্সী)ঃ

কজাক্সটানগী সিটি নুর সুল্টানদা লৈবা বে এরেনা ষ্টদিয়মদা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা ৱর্ল্ড রেষ্টিলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগট নুপীগী কেজি ৫৩গী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০গী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ভিনেস ফোগটনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা রাউন্দদা স্বিদেনগী সোফিয়া মেটসনবু পোইন্ট ১৩-০দা থোইদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। অদুবু জপানগী মায়ু মুকাইদাগা লম্বা তৌনখিবা লম্বাদা পোইন্ট ০-৭দা মায়থীদুনা রেপিচেজ শান্নবা হৌখি।



মদুদা ফোগটনা অহানবা রাউন্দদা উক্রেনগী য়ুলিয়া খালবাদজিবু পোইন্ট ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা রেপিচেজগী অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী রেষ্টলর সরা হিদেব্রান্ট পু পোইন্ট ৮-২দা থোইদুনা ব্রোঞ্জল মেদলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। তাঞ্জা অদুদা ইন্দিয়াগী ভিনেস ফোগট জপানগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবানি। পনবা য়াবদি সরা ওলিম্পিক্কী সিলভর মেদালিষ্ট ওইরিবনি।

মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদলগী মেচ অদুদা গ্রিসকী রেষ্টলর মারিয়া প্রেভোলরাকিগা লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ৪-১দা মায়পাক্তুনা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর পুজা ধনন্দানা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৯গী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টতা সেমীফাইনেল মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বটারিজান শুবগোরগা লম্বা তৌনগদৌরি।

পুজানা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেচ অদুদা রসিয়াগী রেষ্টলর ল্যুবোব ওবচারোভাগী মখুত্তা ০-১০দী মায়থীহৌবনি। মহাক্কী কেটগরি ওইরিবা কিলোগ্রাম ৫৯ অসি ওলিম্পিক্তা য়াওদবনা কোটাগী ৱাফম লৈরোইদৌগৌরি।

কিলোগ্রাম ৫০গকী কেটিগোরিদা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর সিমা বিস্লা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী রেষ্টলর ইকাটেরিনা পোলেসচুক্কী মখুত্তা পোইন্ট ৩-১১দা মায়থীহৌদুনা ওলিম্পিক্কী কোটা ফংবগী লম্বেল তেন্সিনখি।

# চাইনা ওপনদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে, সাইনা মায়থীহৌরে

চাংজৌ, সেপ্টেম্বর ১৮(এজেন্সী)ঃ

চাইনাগী সিটি চাংজৌদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দোল্লর ১,০০০,০০০গী শেলগীমনা লৈবা ৱর্ল্ডটুরগী সুপর ১০০০ কেটগোরিগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চাইনা ওপনদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল মায়থীহৌরে।



হন্দক্তা স্বিজর্লেন্দগী বাসেল সিটিদা পাঙথোকখিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ১সু ওইরম্লবী অমদুগা ওলিম্পিক্কী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী চাইনাগী লি জুরোইবু শুপ্নগী মিনট ৩৪দা ২১-১৮, ২১-১২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অনীশুবা রাউন্দদা সিন্ধুনা থাইলেন্দগী পি সোচুৱোংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী ব্রুসানন্দ ওংবমরুংফানগী মখুৎতা ১০-২১, ১৭-২১দা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা বি সাই প্রনিথনা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী সুপানয়ু অভিহিংসানোনবু ২১-১৯, ২১-২৩, ২১-১৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী লু গ্বাংজুগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় পরুপল্লি কস্যপনা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী বি লেভরদেজগা শান্নবদা ২১-১২, ২১-১৫দা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী নিসিমোটোবু ২১-১৪, ১৯-২১, ২১-১৩দা থোইরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী এ এস গিনতিংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রনকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা অহানবা রাউন্দা কানাদাগী জে হো সু অমসুং এন য়াকুরাবু ২১-৭, ২১-১৮দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২ শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী টি কমুরা অমসুং কে সোনোদাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অস্বিনিপোনাপা অমসুং সিকিরেদিনা অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপেগী সি ৱাই সেং অমসুং সি জি লিবু মায়থীবা পীদুনা জপানগী অনীশুবা সিদেদ পেয়র মাটসুটোমো অমসুং তকাহসিগা শান্নরগনি।

মিক্স দবসলতা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং অস্বিনিপোনাপানা অহানবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী পি জোর্দান অমসুং এম দি ওক্তাভিয়ান্তিবু ২২-২০, ১৭-২১, ২১-১৭দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

# চেম্পিয়ন্স দিভিজনদা ৫শুবা তাখ্রবসু ইন্দিয়াগী নুপাগী টেবল টেন্নিস টিমনা ফার্ষ্ট দিভিজনদা গোল্ড মেদল ফংখ্রে

য়োগ্যাকর্টা, সেপ্টেম্বর ১৮(এজেন্সী)ঃ

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি য়োগ্যাকর্টাদা থা অসিগী ১৫দগী হৌখিবা ইন্টর্নেসল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা এসিয়ান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম চেম্পিয়ন্স দিভিজনদা ৫শুবা পোজিসন তাখ্রবসু ফার্ষ্ট দিভিজনগী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।





ঙসি নুপাগী টিমগী কম্পিটিসন লোইশিনখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চেম্পিয়ন্স দিভিজনদা ৫ শুবা পোজিসন তারবা মতুং ফার্ষ্ট দিভিজনদা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস পুৱারিদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অদুনা ঙসি হোংকোংগা শান্নবদা মেচ ৩-০দা থোইদুনা ৫শুবা পোজিসন তাখি। মদুগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ফার্ষ্ট দিভিজনগী শান্নখিবা অরোইবা টাইদা ইরানবু মেচ ৩-০দা থোইদুনা দিভিজন অদুগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

৫শুবা পোজিসনগীদমক্তগা শান্নখিবা টাই অদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সরত কমালনা অহানবা মেচ থোইরবা মতুং এন্থোনি অমলরাজনা অনীশুবা মেচ মায় পাক্লগা অহশুবা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী নম্বা ১ শান্নরোয় ওইরিবা জি সাথিয়ানসু মায় পাকখিবনি।

# মেঘালয়ানা য়ু-১৭গী সুব্রোটো কপ লৌখ্রে

ন্যুদিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৮(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী সুব্রোটো কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী টাইটল অদু লৈবাক অসিগী মেঘলায়া ষ্টেটকী স্কুল হোপৱেল ইলিয়াজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা বংলাদেশকী স্কুল ক্রিদা সিক্সা প্রোথিসথনবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, বংলাদেশকী স্কুল ক্রিদা সিক্সা প্রোথিসথননা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা সুব্রোটো কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নদুনা অয়াম্বা মতমদা বোল অদু মিদফিল্ডদা অদুমক নৈদুনা লৈনখি। বংলাদেশকী ক্রিদা সিক্সা প্রোথিসথনস্কুলগী শান্নরোয়শিং অদুনা চথখিবা এটেকশিং অদু ইন্দিভিজুয়েল ওইবা মওংদা লৈখি।

অমরোমদা মেঘলয়াগী হোপৱেল ইলিয়াস হায়র সেনিয়র সেকেন্দরি স্কুলগী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেক চথদুনা শান্নরকপদা মেচকী ৩২শুবা মিনটতা টিম অদুগী সাংতি জনাইননা কাউশিনখিবা সোট অমা গোল ওইদুনা মাংজিল থাখি। বংলাদেশকী টিম অদুনা ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমখিদবদগী লুপা লাখ ৪গী চেম্পিয়ন ওইবগী শেলগী মনা অদু মেঘলয়াগী স্কুল অদুনা ফংখি।

# নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী অমিট পনঘল অমসুং মনিস কোসিক সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মেদল ফংলগনি

য়েকাটেরিনবর্গ, সেপ্টেম্বর ১৮(এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী সিটি য়েকাটেরিনবর্গতা লৈবা ইকাটেরিনবর্গ এক্সপো সেন্টরদা থা অসিগী ৯দগী শান্নবা হৌরকখিবা নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট পনঘল অমসুং মনিস কোসিক সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।



নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট পনঘলনা ফ্লাই ৱেথ (কিলোগ্রাম ৫২) কেটিগোরীদা ঙসি লম্বা তৌনখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ফিলিপিন্সকী বোক্সর কার্লো পালমগী বাউট অদুদা জজ মঙাগী মনুংদা জজ ৪না মঙোন্দা ফেবর তৌদুনা ৪-১দা মায়পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবদগী মেদল অমা শোয়দনা ফংলগনি।

অমিট পনঘলনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা ওইখিবা ফিলিপিন্সকী বোক্সর কার্লো পালমবু ২৯-২৮, ২৯-২৮, ২৯-২৮, ২৯-২৮, ২৮-২৯দা মায়থীবা পীখি। রাউন্দ মঙাগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা বোক্সর অনীম্মক্না য়াম্না লম্বা মান্ননা থিন্নবা ঙমখ্রবসু রাউন্দ মরীদা মাংজিল থাখ্রবা মতুং অরোইবা রাউন্দ অদুদা ফিলিপিন্সকী বোক্সর অদুনা খরফজরবসু লোইশিল্লকপদা পনঘলনা হেন্দুনা মায়পাকখিবদগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনঘলনা সেমীফাইনেলদা কজাক্সটানগী বোক্সর সাকেন বিবোসিনোবকা লম্বা তৌনদুনা ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনগদৌরি। ৱেথ কেটিগোরি অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী বোক্সর বিলাল বেনামা অমসুং উজবেকিষ্টানগী বোক্সর সাখোবিদিন জোইরোবকা লম্বা তৌনগদৌরি।

নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী কিলোগ্রাম ৬৩ (লাইথ ৱেথ কেটিগোরি)দা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিস কোসিক ক্বার্টর ফাইনেলদা ব্রাজিলগী বোক্সর ৱান্দরসন দি ওলিভিএরাগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেনবা মওংদা ৫-০দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা মেদল ফংবা ঙমগদৌরিবনি। সেমীফাইনেলদা মহাক্না ক্যুবাগী এন্দি ক্রুজগা থেংনরগনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DEPARTMENT OF SOCIAL WELFARE**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 18th September, 2019

**No. 7/90/2018-SW (MSK):** It is notified for general information to all the candidates who have applied for engagement of contractual staff for the post of District Co-ordinator of the District Level Committee for Women under the Mahila Shakti Kendra Scheme (MSK) that the interview for the post of District Co-ordinator which was scheduled to be held on the notified date in the Office Notification No. 7/90/2018-SW (MSK) dated 16th September, 2019 is cancelled until further notification.

Sd/-
**Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-P/4272/19

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST- PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 769/SDC/IW(P) of 2019**

1. Khangenbam Raghumani Singh, S/o (L) Kh. Ibohal Singh of Ghari Mayai Leikai
2. -do- Rajmani Singh, S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Ibotombi Singh, S/o (L) -do- of -do-
4. -do- Rameshwor Singh, S/o (L) -do- of -do-
5. -do- Churamani Singh, S/o (L) -do- of -do- ...Petitioners

-Vs-

Late Khangenbam Ibohal Singh, S/o (L) Kh. Naran Singh of Ghari ...O.P. Party

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dt. 18/09/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮২/ঘরিগী পাট্টা নং২০, ১৮৯, ১৬৭ (অরিবা) ১৯ (অনৌবা)গী দাগ নং ৬০, ৮৪, ১১৬, ১৪৭, ১৪৮, ২৮৩, ২৯১ অমসুং ৩২০গী পোইন ১.৯০ একর অঙনফৌ +১.৫৪ একর অঙনফৌ +.৫৭ একর ফৌরেল +.০৯ অঙনফৌ +.২৮ একর ফৌরেল +.৫৬ একর অঙনফৌ +.৬৬ একর ইংখোল +.৮৫ একর অঙনফৌ পুন্না পোইন ৬.৪৪ একর চাওবা লমগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা দাগ নং ৬০গী পোইন ১.৯০ একর অসিনা দংকারি নং ২দা পোইন .৯৫ একর অৱাংদা অদুগা .৯৫ একরনা দংকারি নং ৪দা নমা পানবীয়ু। অদুগা দাগ নং ৮৪গী পোইন ১.৫৪ একর অসিনা দংকারি নং ৩দা পোইন .৭৭ একর অৱাংদা অদুগা .৭৭ একরনা খাদা দংকারি ৫তা নামা পানবীয়ু। অদুগা দাগ নং ১১৬গী পোইন .৫৭ একর অসিনা পোইন .২৮৫ একরনা দংকারি নং ৩ অদুগা .২৮৫ একর অসিনা দাংকরি নং ৫তা নামা পানবীয়ু। দাগ নং ১৪৭গী পোইন .০৯ একর অসিনা দংকারি নং ৩দা নামা পানবীয়ু। দাগ নং ১৪৮গী পোইন .২৮ একর অসিনা দংকারি নং ১, ২, ৪ অমসুং ৫দা নামা পানবীয়ু। অদুগা দাগ নং ২৮৩গী পোইন .৫৬ একর অসিনা দংকারি নং ১দা নামা পানবীয়ু। অদুগা দাগ নং ২৯১গী পোইন .৬৬ একর অসিনা দংকারি নং ১দা পোইন .৩২ একর নোংপোক্তা অদুগা পোইন .৩৪ একর অসিনা নোংচুপ্তা দংকারি নং ৩দা নামা পানবীয়ু। অদুগা দাগ নং ৩২০গী পোইন .৮৫ একর অসিনা দংকারি নং ২দা পোইন .২০২ একর নোংপোক্তা দংকারি নং ৩দা পোইন .২০২ একর ময়াইদা, দংকারি নং ৪না পোইন .২০২ একর ময়াইদা অমসুং দংকারি নং ৫না পোইন .১৮২ একর নোংচুপ্তা নামা পানবীয়ু। মখোয়গী স্বত্তনি হায়দুনা মখোয়গী মীংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং, মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৬/০৯/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চৎথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

HL-P/4268/19